


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, OCTOBER 20, 2019 **PAGE 7**




*মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদতা ইং ২০২৩ ফাওবগী নৌনা খুৎয়েক পীনখ্রবা চহী ১৮দা ঙাইরিবা ষ্ট্রাক্কর মসন গ্রিনবুদ*

*লিভরপুলগীদমক ইং ২০২৪ ফাওবগী নৌনা খুৎয়েক পীনখ্রবা টিম অসিগী সেন্টর বেক জিওল মেতিপ*

## কাংজম কর্ণজিৎ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এন আই এস সি লাইরেঞ্জম মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা চথরিবা ৯ শুবা কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এন আই এস সি লাইরেঞ্জম মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি আই এফ সি লম্ফেল অমদি এন আই এস সি লাইরেঞ্জমনা শান্নখিবা মেটচতা এন আই এস সিনা আই এফ এবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লান্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এন আই এস সি লাইরেঞ্জমনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা আই এফ সি লম্ফেলবু লাকশিন্না শান্নরক্তুনা চাং নাইনা এটেক্ট চৎথদুনা প্রেসর পীশিল্লকখি।

প্রেসরশিং অদু আই এফ সি লম্ফেলনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচকী মিনিট ৬৫ চৎপদা এন আই এস সি লাইরেঞ্জমগী জর্সি নম্বর ৫ এস রিমাইন্দরনা গোল একাউন্দ হাংদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শৌথারিবা আই এফ সি লম্ফেলনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোইশিংনা বোল পুশিন্নবা লাক্নবদা এন আই এস সি লাইরেঞ্জমগী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না হৈশিংনা ঙাকথোক্তুনা কন্টেষ্ট অসিদা লৈনবা হোৎনদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা মেটচকী অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লাইরেঞ্জমগী এস রিমাইন্দরনা চনখিবা গোলনা আই এফ সি লম্ফেলবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা আই এফ সি লম্ফেলগী জর্সি নম্বর ১২ গোংসিরৈ, জর্সি নম্বর ২ হুংমৈ হোরাম, টিম অসিগী মেনেজর ঐচ প্রেমকুমার অদুগা মায় পাক্লবা এন আই এস সি লাইরেঞ্জমগী জর্সি নম্বর ২০ দেনেল অমসুং জর্সি নম্বর ৩ এস রিমাইন্দরদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা কোসন বুক তৌখি অমসুং আই এফ সি লম্ফেলগী মেনেজর এস কেনেদি সিংহ মেটচকী মিনিট ৭৯ অমসুং ৮০ প্লাস ১ দা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপান্দা থোকহনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল হরিমোহোন, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এন জি অনন্দ অমসুং অসং হোরামনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা এস দি সি শমুরৌ অমদি ৱাই দব্লিউ সি মলোমনা লীগ অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

## কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ফাইনেল চঙদুনা লম্বা ঙাইখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৬ শুবা ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯দা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই ফাইনেল চঙদুনা লম্বা ঙাইখ্রে।

লীগ অসিগী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই অমদি ও এস এ ওইনাম্না শান্নখিবা লীগকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে ৱাই ভি ওনা ও এস এবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙ–খবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদি ও এস এ ওইনাম্না গোল ১ মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইনা অহেনবা গোল ৩ অদুগা ও এস এনা গোল অমখক হাপচিনবা ঙমদুনা মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিং দি ও এস এ ওইনাম্না বোল হেন্না পায়রগা য়াংনা শান্নদুনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু লাকশিন্দুনা গোল একাউন্দ হাংনবা হোৎন্দুনা শান্নখি মদুগী মথে ফঙদুনা মেটচকী মিনিট ২৭ চৎপদা ওইনামগী জর্সি নম্বর ৮ ও সনাতোম্বনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়নননা শান্নরক্তুনা মখোয়গী অহৌবশিং অদু মেনশিল্লক্তুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরক্তুনা ওইনামগী মায়কৈদা হনবা লৈতনা এটেক্ট চৎথখিবগী মমল য়াল্লবা মথে অদু ফঙদুনা মেটচকী মিনিট ৪৪ চৎপদা ক্বাসিফাইগী জর্সি নম্বর ১০ এস ধনচন্দ্রনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্ননা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎনখি।

গোল মান্ননা লৈখ্রবা মতুংগী মিনিট ৩ কান্নরগা ৪৭ চৎপদা ও এস এ ওইনামগী জর্সি নম্বর ১১ এম বিক্রমজিৎনা টিমগী ২ শুবা গোল অদু চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রবসু থংনবা মিনিট ৪৮ তা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইগী জর্সি নম্বর ১৫ এল তোন্দোনবনা অমুক গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা মান্ননা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা ও এস এ ওইনামগী টিমগী মায়কৈদা মখোয়না পীবা প্রেসরদি হনবা লৈখিদবনা ওইনামগী শান্নরোইশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহন্দুনা লাংতক্লবা হেনগৎহনখি।

ক্বাসিফাইনা হোৎনবা লেপ্তুনা চৎথখিবা প্রেসরশিংদুগী হোৎঞ্জমন ফঙদুনা মেটচকী মিনিট ৫৮ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৫ এল তোন্দানবনা মহাক্কীনা অনীশুবা অদুগী টিমগী অহুশুবা গোল অদু চন্দুনা ক্বাসিফাইবু মায় পাকপগী অচেৎপা যূম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইগী জর্সি নম্বর ১১ পি মোহিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি বিজেন, ননাও, পূন্সি অমদি তোম্বা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং লাশাল অমদি এম সি কেনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নগনি।

## বিশ্বমিত্রনা এসিয়ান জুনিয়ার বোক্সিংদা গোল্ড লৌখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস (য়ু এ ই) গী ফুজাইরাহদা পাঙথোকখিবা এ এস বি সি এসিয়ান জুনিয়ার বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা মণিপুরগী বোক্সর বিশ্বমিত্র চোংথামনা কে জি ৪৮ লাইত ফ্লাইৱেটকী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

এসিয়ানগী কন্ত্রি ২৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা জুনিয়ার বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা বিশ্বমিত্রনা ফাইনেলদা জপানগী বোক্সর ওজাকি য়ুগাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

বিশ্বমিত্রনা সেমি ফাইনেল বাউত্তা চাইনিস টাইপেগী বোক্সর য়ু চিং ৱৈবু অদুগা ক্বাটর ফাইনেলদা কাজখকিষ্টানগী বোক্সর রুস্তাফ নোপ স্কান্দরবেকপু, প্রি ক্বাটর ফাইনেলদা ইরাক্কী বোক্সর অসুৱালি মোহম্মদ বকেয়র রভিবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

বিশ্বমিত্রনা ইং ২০১৮ গী সরবিয়াদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা জুনিয়ার নেস্নেল কপ্তা গোল্ড মেদল অদুগা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ইর্ন্টনেস্নেল বোক্সিং টুর্নমেন্ট ২০১৮, থার্দ জুনিয়ার নেস্নেল কপ ২০১৯ দা সিলভর মেদল লৌরকখি। মসিদা নৎতনা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা ইর্ন্টনেস্নেল য়ুঠ অমসুং জুনিয়ার বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৯ দসু গোল মেদল লৌরকখি।

নেস্নেল অমসুং ইর্ন্টনেস্নেলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌখ্রবা বিশ্বমিত্রনা খেলো ইন্দিয়া ২০১৯ অমসুং ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই বোইজ এন্দ গালর্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী বেজ বোক্সরগী টাইটলসু ফঙখ্রবা বোক্সর অমনি।

বিশ্বমিত্র চোংথাম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মুং চন্না লৈবা ময়াং ইম্ফাল বাজারদগী চোংথাম শ্যামচন্দ্র সিংহ অমসুং চোংথাম ওংবী লৌরেম্বম নরমদা দেবী অনীগী অমত্তা পোকচবা মচানুপানি। মহাক্না গোল্ড মেদল লৌরকপদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

## এস দব্লিউ সি ঈশোক মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৪ শুবা এন বলানন্দা নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী শান্নখিবা মেটচতা এস দব্লিউ সি ঈশোক্না কে ৱাই এস সি এন্দ সি খা–জিরিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ৮ শুবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এস দব্লিউ সি ঈশোক্কী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ এল ইবোচৌনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২৭ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ ঐচ মহেশনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৩৫ দা চনখি।

মায়থিরবা কে ৱাই এস সি এন্দ সি খা–জিরিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৮ এস দনন্দজয়না মিনিট ১৫ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দব্লিউ সি ঈশোক্কী জর্সি নম্বর ৩ ঐচ কোরৌ অমসুং জর্সি নম্বর ৫ রাজকুমার অবিজিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## সেপাক তাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব ৱাংঙুনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা ৱাংঙু লাইফম অৱাং লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা অহানবা কেস প্রাইজ মেন’স সেপাক তাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

ৱিন্নর দা লীশিং ১০ অমসুং রন্নর্স অপ্তা লীশিং ৫ গী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ইন্ট্রি ফিনা লুপা ৫০০ নি অদুগা ফোর্ম পীশিল্লকপগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২৪ ফাওবনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজর অমসুং কোচশিংগী মিটিংনা থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ক্লব অসিদা পাঙথোক্কনি লোয়নননা ফিক্সরসু পীথোক্কনি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী নভেম্বর ১০ অমসুং ১১ গী অয়ূক পুং ৭ তগী হৌদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মাষ্টর এঠলেটিক্কী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

ট্রাইয়েল অসিদগী খঙগৎলবা শান্নরোইশিংনা ইং ২০২০ গী ফেব্রুৱারী ৯ দগী ১৪ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১ শুবা নেস্নেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী টিম ওইনা শরুক য়াগনি।

ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা নভেম্বর ৪ দগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পোলো গ্রাউন্দদা লৈবা এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ওফিসতা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি ফোর্ম মমলনা লুপা ১০ অদুগা ইন্ট্রি ফিনা লুপা ২০০ ওইগনি হায়না মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সিটি এফ সি মোইরাং অমসুং এস ৱাই সি সগাং মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন মোইরাংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা মোইরাং মল্টিপরপস হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চৎথরিবা অহানবা লাইশ্রম কেরানি নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিটি এফ সি মোইরাং অমসুং এস ৱাই সি সগাং মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ কে এস এ ক্বাক্তা অমদি সিটি এফ সি মোইরাংনা শান্নখিবা মেটচতা সিটি এফসিনা এ কে এস এ ক্বাক্তাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা সিটি এফ সি গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ চংথোইবনা মিনিট ১২ অমসুং ৪১ দা চনখি।

লীগ অসিগী ৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী ২ শুবা গ্রাউন্দদা ইলাভেন্ট ষ্টার চরাংপাৎ অমদি এস ৱাই সি সঙাংনা শান্নখিবা মেটচতা এস ৱাই সিনা ইলাভেন্ট ষ্টারবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস ৱাই সি সগাংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ রাংচুংনা মিনিট ১৩ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ ইমনুয়েলনা মিনিট ১৬ অমসুং ৩২ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা ইলেভেন্ট ষ্টার চরাংপাৎকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এম দি ইটরিসনা মিনিট ৩০ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা ইলেভেন্ট ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৩ অস্মির অমসুং এস ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ২১ লিভিংষ্টোনদা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## এসিয়ান গোল্ড মেদললিষ্ট এন ৱিলসন পূক্নিং থৌগৎখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (এস এন এস)ঃ**
বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপকী দাইভিং ইভেন্টগী ১০ মিটর শিনক্রোনাইজ দা অমসুং ৩ মিটর শিনক্রোনাইজ এ / বি দা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা নিংথৌজম ৱিলসনবু পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

নিংথৌজম ৱিলসননা ১০ মিটর শিনক্রোনাইজতা নিংথৌজম ৱিলসন সিংহনা পোইন্ট ২৯০.১৯ ফঙদুনা গোল্ড মেদল অদুগা ৩ মিটর শিনক্রোনাইজ এ / বি দা পোইন্ট ২১৭.২৬ ফঙদুনা সিলভর মেদল লৌখিবনি।

নিংথৌজম ৱিলসন কোংবা নানদৈবম লৈকাইদা লৈবা নিংথৌজম বোরোত অমদি নিংথৌজম অনিতা দেবীগী মচানুপা ৩ গী অতোম্বানি। হৌজিক–হৌজিক পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইনস্টিট্যুটতা ট্রেনিং তৌদুনা লৈরিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থোংজু কেন্দ্রগী এম এল এ থৌনাওজম বিশ্বজিৎ, রিটয়রদ ঐচ ই ও মেদিকেল এম দেবেন, কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লবকী প্রসিদেন্ট ৱাই জোতিনসন, টি জি হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী রিটয়র ভাইজ প্রিন্সিপাল লোকেন্দ্র শর্ম্ম অমদি সোসিয়েল ৱার্কর কে ইবোয়াইমা শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩১২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | N | D | S | | D | R | A | T | | A | L | O | H | A |
| R | O | O | T | | A | B | L | E | | R | E | P | E | L |
| O | P | E | R | A | T | I | O | N | | K | A | R | A | T |
| S | E | R | E | N | E | | T | A | N | | S | A | V | E |
| | | | E | D | D | Y | | N | E | I | T | H | E | R |
| R | A | T | T | Y | | E | A | T | E | R | | | | |
| A | L | E | C | | C | A | D | | D | E | C | R | E | E |
| M | O | N | A | | E | R | O | D | E | | R | E | A | L |
| P | E | T | R | O | L | | R | I | D | | E | A | R | L |
| | | | | P | L | A | N | E | | T | A | M | P | A |
| R | E | C | I | T | A | L | | S | I | A | M | | | |
| I | R | A | N | | R | I | M | | T | R | I | P | L | E |
| S | A | U | N | A | | C | A | F | E | T | E | R | I | A |
| E | S | S | E | S | | E | X | A | M | | S | A | S | S |
| S | E | E | R | S | | S | I | R | S | | T | Y | P | E |

**LIONS CLUB OF IMPHAL**
CIRCULAR

As it had been done in the previous years, Lions Club of Imphal is going to commemorate the "UN Day" on the ensuing 24th October (Thursday), at 01.00 p.m. at the Lions Service Centre, Sangaiprou, Airport Road, Imphal.

On this solemn occasion a "Debating Competition" would also be organized and students of Higher Secondary & Degree levels are eligible for taking part in this academic exercise.

All the Heads of Alma maters may kindly initiate action to send a "Team" (comprising 2/3 students/debaters) of their own for participation in this competition of wit. However, individual participants are always welcome.

Over and above, the "Team Championship Trophy", there will also be the following prizes:
First Prize of Rs. 7,000/-
Second Prize of Rs. 5,000/-
Third Prize of Rs. 3,000/- and
3 consolation Prizes of Rs. 500, each

Premise for deliberation:
"Although the United Nations has named October 2, the birth anniversary of Mahatma Gandhi as the "International Day of Non-Violence", populations continue to be exposed to violence. The U.N. needs restructuring.

The names of participants and their schools may be submitted to the service centre of Lions Club of Imphal, Sangaiprou, Airport Road, Imphal on or before 23rd October, 2019 till 4.00 p.m.

(Lion Thoudam Imomacha Singh)
Chirman,
Celebration Committee,
Lions Club of Imphal

SL/B(S)/20

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**
Ref. :- Mutation Case No. 3167/SDC/IW(C) of 19/07/2019
1. Salam Rajiv Singh S/o Salam Gambhir Singh of Mantripukhri Heingang
2. Salam Joyshankar Singh S/o -do- of Sagolband Salam
***- Petitioners***
***-Verses-***
(L) Maharajkumari Radhapyari Devi W/o (L) S. Gambhir Singh of Sagolband Salam Leikai and 27 others
***- Opposite Party***

**N O T I C E**
*Lamphel, the 19/10/2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Maharajkumari Radhapyari Devi, W/o (Late) S. Gambhir Singh of Sagolband Salam Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 87(A)-Khwai Bazar, অনৌবা পট্টা নম্বর 75 অরিবা পট্টা নম্বর 69 দাগ নং XVI/640 অমসুং এরিয়া .05317 (হেক্টর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ –চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

SL/5441/20